থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লান তোকসি, ৱারী শাসি



নহান, নিংথৌকাবা নুমিৎ, ২০১৭ জুলাই তারিখ ১০। মণিপুরদা তম্বা ঙমদবা, ঈরাংনা থনবা থৌদোক অমা হেক্তা থোক্লক্কনি। চিংনহনবা, লোইশিন্দ্রিবা ৱাথোক অমগী অনীরকশুবা ৱাখৈ ৱারী 'উখ্রুল' দা শান্ননবা লেপ্পখিবনি - ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট, মণিপুর গভর্নমেন্ট অমদি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল - নাকল অহুমগী মীহুৎশিং ফম্মীন্নদুনা। ৱারীদুদা খন্নগদবা ইস্যুদি, মীয়াম খঙনরবনি অদুবু ইরুৱগী নীংশিংজবনি - 'জিরিবাম অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট অনীসি শেন্থা য়ারোই (নাগাশিংগী লমনি, মীতোপ্পা মপু ওইবা য়ারোই), লৈঙাক্কা নমফুদা শেমখিবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ (৭) অদু হন্দোক্তুনা হান্নগী ফিভমদা লৈহল্লু' হায়বা য়ু এন সীগী ৱাকৎ অসিনি। মখোয়সু খঙই, মীয়ামসু খঙই - শেমখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ অদুদি অমুক মুথৎপা য়াররোই। সদর হিলস দিষ্ট্রিক পীগদবনি/পীরোয়দবনি - কুইরবা ৱাথোক অমনি, মণিপুরগী অচৌবা ত্রাইবেল কাঙলুপ অনী মুক্লুরকপদা 'অমগী মীচং চঙই' হায়খিনি খন্না চহী কুন-কুম্থাগী মণিপুর লৈঙাক পাঙ্গল থোকপা ঙমখিদবদু, ইবোবী-লৈঙাক লোইরমদাইগী অয়ৌবী খোঙ্গাও অমা কাওদ'-য়াদ'-কাওরকপদা ময়াই কল্লবা, নিংঙাই চাউরবা কাঙলুপঅমগী 'নাপন' দা অকনবা সাফু ওইরকখিবনি।

হৌজিক্তি, মাঙদা লৈরিবা পোলিটিকল পিকচর ময়েক শেংলে। অনৌবা লৈঙাক অসিগী লুচিং-পুরেল, ময়াম্না ঙাংন-শক্লবা ৱাফম পুম্বা ময়াই চমহন্দুনা, ফিরেপ শেংনা লাউথোরক্লে - 'করিগুম্বা মওং অমত্তদা শেমখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট হন্দোক্লোই।' অদু ওইরবদি শানগদৌরিবা ৱারীসিগী ৱাহন্থোক লৈরিবরা? ময়াম্না খন্নবদুনি। নিংঙাই চাউবা পার্তি অমা য়াওরিবসিনা হায়রক্কদবা ৱা'দুনি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট মীহুৎতুগী অচীনবা অমা লৈবদগী, শানগদবা ৱারীদুদি য়ৈথোকখ্রে। অতোপ্পা নুমিৎ অমদা শাননবা কোন্না মতম লেপকনি। অদুবু, চিংনবা অমগী মরুদুদি খলহল্লি - য়ু এন সীনা হৌজিকপু ৱারী মখা শাখিদ্রা? নৎত্রগা, নিংঙাই (ষ্ট্রাইক) মখা চথরক্কদ্রা?

অসুম্বা, করিগুম্বা ৱাফম অমদা অনম তান্নরকপদগী মুক্লুরকপা, মুক্লুবদগী খুৎ থোক্লরকপা, মীসি-মীনা য়াওনরকপা, লান শোক্ল রুরগা 'লান'না ৱাখৈবা য়াদবদগী 'ৱারী শানবা' হায়বসিনা খ্বাইদৈ চুম্বা লম্বীনি খন্দুনা, চহী কুনমাথোই ৱারী শানরক্লবা ইন্দো নাগা শান্তিগী ৱারী - লমদমসিগী মীয়াম্বু নিংদোল পোমহল্লিবা, লাংতক্লু হল্লিবা অতোপ্পা ইস্যু অমনি। ২০১৫, ওগষ্ট তারিখ অহুমদা, য়েৎনরিবা মরুওইবা ৱাফমশিং মশক খঙদোক্লদুনা চাউরাকপা ৱারম খরদা য়ানবা পুরক্লে, 'ফ্রেমৱার্ক ওফ এগ্রিমেন্ত' অমা য়াৎথোক্লে হায়না লাউথোকখি'দৌঙেদগী অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেট অহুমদগী মীওই কাঙলুপ খরদা পুক্লিংগী শান্তি কায়নবগী মচাক অমা ওইহল্লি। অদুগা, ঐখোয়গী পুক্লিং শান্তিগী ৱা খল্লুবদা, পুক্লিংসিবু ৱাহনবা ৱাফম অমসু খান্বা য়াদ পাইশিল্লকই। মদুদি ... 'চঙশিল্লিবা লাঞ্জঙসি, হনবা-য়াদ'- লাঞ্জঙনি, থৱায়-পোন্থা নৎত্রগা নীংতম্বা অনীসি নত্তবা অমত্তগা য়াশিন্নরোই - ৱারীনা ৱারোইশিন পুরকপগী ৱাখল্লোন্দা থাজদে' হায়বা কাঙলুপ অমা লৈরিবসিনা কমদৌবা? ঙসিগী তাইবং অসিদি নেগোসিয়েসন হৈবা মীশক অদুবু খ্বাইদই হেন্না হৈশিংবা, মায় পাকপা অমদি শক্তি লৈবা মীশত্তুনি। নুপা-নুপী য়ুম্বানমিন্নবদা মায় পাকপা নৎত্রগা কায়রবা য়ুম্বান অমগা অমগা নেগোসিয়েত তৌনবা, হৈব/হৈতবরা লৈরে হায়। ঈচিন-ঈনাও, য়ুম্লোন-কৈরোন্নবা, লৈকায় অমদি খুনলোন্নবগা ঈংনা হিংমীন্নবা নৎত্রগা উংখৎনবা মকোক থোংবা মীদুগী নেগোসিয়েতিং স্কিল হৈবা নৎত্রগা হৈতবগী মখা পোল্লি। মীবু মাঙহন তাকহনবা, হাৎপা ঙম্বই শক্তিদুগা, মাগী থম্মোয় শুমদুনা ঐগী অপান্বা পুন্সিরোলদা পুরক্তুনা মরূপ ওইশিনবা ঙম্বদুগা - অনীসি করম্বনা হেনবগে? ৱাহংসি হংজৈ ইথন্তা, চমম্লনা। হিংমিন্নবা, অমদি হাত্তোক্লবা - করম্বনা ফবনো? ঐগী পুন্সিনা করম্বনো? মহাক্কী পুন্সিনা তোংঙানবরা?

ওইনীংবা ৱাহৌগী ওইসনু, মীওই অনী নৎত্রগা কাঙলুপ অনী খৎনরক্লবা, লানগী মশক ওইরক্লবা, অমনা অমবু য়েক্লবনি খন্নর'নি। নাকল অনীমক্লা তৌগদবসি - মাগী য়েক্লবা অদুগী মাঙনবা থবক অদুখত্তনি। মাগী ফত্তবদুখত্তনি ৱারী ওইনা শাজরগা পেঞ্জবা! অসিনা মরম ওইরগনি, ঈরমদমগী পাউ-চেনা - য়েক্লবনা ঐখোয়গী মাঙননবা শীল্লকপা, মখোয়না মরম ওইদুনা ঐখোয়না অৱাবা নংলিবা... অসিনচিংবই ৱারীমক্তা ফোঙলিবা। মখোয়গী মরমদুদসু ঐখোয়মুক ফত্তবা মীফত্তা অনী শুনা লৈরম্লোই। ৱাখল অসি অমুক্তং খন্থরকপা য়াওখ্রবরা?

ৱাখল মোন্দ্রং অমত্তং শান্নমিন্নখি ঙাইহাক্তং। ৱাখলদুনা শকলোৎপীয়ু। য়েক্লবগী লমদুদা খুল্লক-ইরক ফাওদুনা চৎপীরুচো অমুক্তা। তেলিভিজন কেমেরানা কোভর তৌদবা মফমদুদা কোয়রুসি। মরূপ-মপাঙ লৈতবা, মমা মশক খঙদবা, মচা নুংশিবা খঙদবা, অউ-অউ হাৎনবা, শাগী পুকচেল চেনবা মী থেংনরকপ্রা য়েংবীয়ু। চাক লাম্লবা মচাশিংবু মপুক থলহন্নবা লাম্হেংনরিবা, অফবা স্কুলদা থাননবা হোৎনরিবা, পুকচেল পীকপা ওইজবা থিবা লৈঙাকপগী মীওৎ-মীনৈ ... মফমদুদসু লৈরম'নি।

লান নংলবা খুন'দুগী, মাঙল'-তাক্ল য়ুমশিংদু নৌনা অমুক শাখিনি, লম্বী- থোংসু শেমখিনি। অদুবু, লানগী চৈথেঙ অদুনা শোকহল্লবা থম্মোয়দুদি কুমজা কয়া তাইশিল্লোই, অনৌবা লান অমগী মৈরী অমুক চুখিনি। থম্মোয় খুদুম চন্দুনা লাকশিল্লুবা মাদুদি ঈপাং ওইনা লৈহৌনি শাংল খোঙচৎ অসিগী। চৎসি - য়েক্লবগী থম্মোয় খুদুম চল্লুসি। খঙই-শক্তি অদু নঙগী লৈ। ঐঙোন্দসু লৈরম'নি।

লৌশিং পুক্কে

# মীয়ায় চল্লকপা অমসুং হকচাং শাজেল



মতম খরগী মমাঙদা ওইখিবা ফীভমগা য়েংনবদা মীওইবগী পুন্সি শাংদোরক্লে। কুমজা ১৯৮০ গী পরিংদা মীওইবনা চাংচৎতা চহী ৭৪ পুন্সিরম্বদগী হৌজিক্তি চহী ৭৮ গী চাংদা পুন্সিরে। অদুবু পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না মীওই অয়াম্বা কুইনা হিংলবসু পুন্সিগী অরোইবা শরুক্তা দাইবেটিস অমদি হার্ট দিজিজনচিংবা লায়না কয়ানা শাগোন্নদুনা হিংলি।

অদুবু মীয়ায় চল্লকপা মতমদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি অহল ওইশিল্লক্লগা লায়না-তীন্না অমত্তা চঙদনা হকচাং ফনা লৈবা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ হেলসিনকি, য়ুনিভর্সিটি ওফ জিবাস্কিলা অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ টর্কুগী রিছার্চর কাঙবু অমনা চথখিবা ষ্টদিদগী ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

রিছার্চর কাঙবু অদুনা কুমজা ১৯৭৫ অমসুং কুমজা ১৯৮১ দা মীওই ৩০৫০ গী হকচাং লেঙ-ওৎপগী মওং মতৌ য়াম্না য়েংশিল্লম্মী। মতুং তারকপদা কুমজা ১৯৯৯ অমসুং কুমজা ২০১৫ দনা মীওইশিং অদুগী ৱাখল খনবগী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবা মীওইশিংদি অহল ওইরক্লগা ৱাখল খনবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতীক ময়াই মাঙদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি।

হকচাং শাজেল তৌবগী চাং ৱাংবা মীওইশিংনা অহল ওইরক্লগা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই হেনবা নত্তে। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবগী মহুত্তা ময়ায় ওইরকপ চাংদা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌবদুনি মরুওইরিবদি।

মালেমগী ওইনা অহল ওইরবা মীওইশিংদা দিমেন্সিয়া নাবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্লে। দিমেন্সিয়া হায়বসি চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংনা মায়োক্লগনবা পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা লায়নানি। হৌজিক ফাওবদা লায়েংদুনা ফহনবা ঙমদ্রিবা লায়না অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্ল বগীদমক মীয়ায় চল্লকপা মতমদা চাং নাইনা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌগদবনি হায়রি।

'জর্নেল ওফ অলঝিমর'স দিজিজ'গী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখিবদা ষ্টদিগী রিপোর্টতা রিছার্চরশিংনা হায়খি, মীয়ায় চল্লকপদা হকচাং শাজেল তৌবনা অহল ওইরক্লগা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙহন্দবা ঙম্মী হায়বা খঙলবসু মখা থানা থিজিনগদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি।

অমরোমদা, অর্কাইভস ওফ ইন্টরনেল মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি নহা ওইরিঙৈদা হকচাং ফবা নৎত্রগা ফৎতবগী ৱাফমনা তোখায়না থমখ্রগা মীয়ায় চল্লকপা মতমদা হকচাং শাজেল তৌদুনা হকচাং ফিট ওইহল্লবদি অহল ওইরক্লবা মতমদা চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা মরী লৈননা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং ঙাকথোকপা ঙম্মী। য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টর অমসুং দলাসকী কুপর ইনষ্টিট্যুটনা মীওই ১৮,৬৭০ গী মরমদা কুপ্না থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

কুমজা ১৯৯৯ দগী কুমজা ২০০৯ ফাওবা চথখিবা ষ্টদি অমদা রিছার্চরশিংনা মীয়ায় চল্লবা মীওইশিংগী ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মীয়ায় চল্লকপা মতমদা মশা-মউ ফনা লৈবা তারবদি অহল ওইরক্লগসু হার্টদিজিজ, দাইবেটিস, অলঝিমর'স, কোলোন কেন্সর নৎত্রগা লংস কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক নেম্না লৈ হায়রি। কুপর ইনষ্টিট্যুট ইপিদমিওলোজিষ্ট ওইনা লৈবা ডা. বেঞ্জামিন ৱিলিসনা লুচিংলগা ষ্টদি অদু চথখিবনি।

ডা. বেঞ্জামিন ৱিলিসনা হায়খি, মীয়ায় চল্লকপদা হকচাং শাজেল তৌদুনা মশা-মউ ফনা থম্বা মীওইশিং পুন্সি শাংবগা লোয়ননা অহল ওইরক্লবা মতমদা অনা অয়েক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা নহা ওইরিঙৈদা হকচাংগী মরমদা থোইদোক্লা থৌশারুদবা তারবসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদা মীপুম খুদিংমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা হকচাং ফহনবা য়াম্ন মক তঙাইফদে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টরগী ইন্টরনেল মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইবা ডা. জেরেট বেরিনা হায়খি, চহী য়ামশিল্লকপদগী অহল ওইশিল্লকপা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী পুন্সিদা শোয়দনা মায়োক্লরগদবা থৌওং অমনি। অহল ওইরগা করম্বা পুন্সি মহিংদা হিংবা পাম্বগে হায়বদু ইশা-ইশানা মুন্না খন্থরগা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা মথৌ তাই। হকচাং ফবা নৎত্রগা ফৎতবা হায়বসি মীওইবদা পোকপদগী লোয়নরক্লবা জিনগী মখা য়াম্না পোল্লি। অদুম ওইনমক পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না ঙাকথোক্লবগী মতাংদদি ইশা-ইশানা হোৎনবগী মখা পোনগনি। মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুমীৎ খুদিংগী খোঙকাপ খরা খোঙনা চৎপগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ হকচাং লেঙ-ওৎপা থবক তৌরবদি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না অয়াম্বা ঙাকথোকপা ঙম্মী। পুম্নমক অসিগী মথক্তা চাকচা য়ুথক ফজবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি, অফবা নুংঙাইবা ৱাখল খনগদবনি অমসুং মপুং ফানা পোত্থাগদবনি।

ডা. বেঞ্জামিন ৱিলিসনা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌগদবনি হায়দুনসু শান্নরোয় অমগী মতৌগুম নুমীৎ খুদিংগী হুমাং তানা চেন-চোংগদবা নত্তে। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নবনিনা নুমীৎ খুদিংগী হকচাং শাজেল তৌনবা মতম কাইথোকপা ঙম্ফম থোক্তে। মরম অদুনা নোংমগী মীনিট ২০ নৎত্রগা ৩০ খোঙনা চৎপদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংগনি। খোঙনা চৎপগী তোখায়বা মতম কাইথোক্ত্রবসু ইশাগী থবক চৎপদা গাড়ী তোংলগা চৎপগী মহুৎ খোঙনা চৎপা য়াই।

# ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিকর, য়ুঙৌ ফারে



ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক সেলগী ও সী রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি মীওই অহুমদগী ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর অমদি য়ুঙৌ বোট্টল কয়া তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফারে।

খুন্বোংময়ুম বসন্ত (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা কেঐচ ইবোবী চিংঙামখা নিংথৌজম লৈকাই অমদি জামাইকা জিবন (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইরাবটতগী ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর বোট্টল ২১৭ অমদি য়ুঙৌ বোট্টল ১৯ ফাগৎখি। সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী শগোলসেম পান্দুম অপোকপা ইবোঙৌবীদগী য়ুঙৌ লিটর ১৫০ ফাগৎখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা তেংনৌপলদা লৈবা ১২ শুবা এ আর চেকপোষ্টতা গাড়ী চেক তৌবদা মোরেদগী লাকপা উপুবা বস গ্রীনহিল (এম এন ০৪-৫৩৬৩) দগী সনাগী বিস্কিট পীস মাপল পুন্না কেজি ২.৭০ কা কোন্ননা মীওই অনী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি দ্রাইভর এম দি মনিরুদ্দিন (৪০) অপোকপা সমসুরুদ্দিন পাওবীথেক ইম্ফাল ৱেষ্ট, সেকেন্দ দ্রাইভর এম দি নজিরুদ্দিন খান (৩৮) অপোকপা এম দি অব্দুল খান পাওবিতেক মমাং লৈকায় ইম্ফাল ৱেষ্টতগীনি হায়রি। মখোয় অনী বস অসিগী দ্রাইভর অমদি সেকেন্দ দ্রাইভরনি। মখোয় অনিমক ঙসি নুংথিল পুং ৬ রোম তাবদা মোরে কষ্টম প্রিভেন্সিব ফোর্সতা শীন্নখ্রে।

সনা অদু সেকেন্দ দ্রাইভর অসিনা বস অসিগী মনিংথংবা দেঙ্গিদা হাপ্পনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী থৌমী অমা ওইরম্বা লাইমুজম সনায়াইমা এলিয়জ পাথৌনা লৈখিদবদা বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রেহায়না মন্দলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা লুচিংদুনা ঙসি লৈখিদ্রবগী য়ুমদা পুন্দুনা মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টকী নোমিনি প্রধান প্রদিপ, সোসল ৱার্কর কেঐচ প্রিয়োজিৎ অমদি মন্দলগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা সনায়াইমা বি জে পিগীদমক থৌনা ফনা থবক তৌরম্বা মেম্বর অমনি। মহাক ঙরাং নুমিদাং মশাগী অনাবা অমনা লৈখিদবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# 'সীজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক হৌরগনি'

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : এস এস এ ওজাশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা তলব পীথোক্তবদি থা অসিগী ১৫ দগী সীজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থরগনি হায়না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এস এস এ টিচর্স এসোসিয়েসনগী কনভিনর অমদি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা উখ্রুল দি সীগী খুথাংদা থা অসিগী ১০ দা মেমোরেন দম অমা পীখ্রে। এস এস এ ওজাশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা তলব পীথোক্তবদি জুলাই ১৫ দগী সীজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক হৌরগনি হায়না খঙহনখ্রে।

ওল মণিপুর এস এস এ টিচর্স এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিং, এদ্যুকেসন (এস) দিরেক্তরেটকী ওফিসলশিং য়াওনা এস এস এগী কনফরেন্স হোলদা উনদুনা ওজাশিংগী ফেব্রুৱারিদগী জুন ফাওবগী পীথোক্তনা লৈরিবা তলব পীথোক্লবগী মতাংদা য়ানবা লৈখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা জুলাই অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা পীথোক্তনা লৈরিবা তলবশিং পীথোক্কনি হায়বগী ৱাফম য়াওখিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোরক্তে। লৈঙাক্কা এসোসি-য়েসনগা য়ানখিবা ৱাফমশিং থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদি সীজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা পোষ্টিং তারিবা এস এস এ টিচরশিংদসু নোটিস থাখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ঈচাওনা শোকহল্লবা লিলোংগী মফম অহুমদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর মুসলিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী) না সী ঐচ সী হাওরৈবী মখা লৈকাইগা খুৎশম্নদুনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা লিলোংগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে।

হাওরৈবী তুরেলঅহনবী, অতৌখোঙ, অতিমখানা অমদি হাওরৈবী লাইরখোঙদা সী ঐচ সীগী দোক্তর কয়া অমদি লৈকাইগী মীওই কয়াসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৩৭০ লেম্না লায়েংখি। হিদাক লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি।

এ এম এম দি সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট লক্কি অহমদনা ফোঙদোকখিবদা, অৱাবনা খম থেংলবা মতম অসিদা সী ঐচ সী হাওরৈবীনা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকপীবা অসি নুংঙাইবা ফাওই। লিলেং খুনগী চাদা ৮০ দি ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে। মফম খরগী ওইনদি হান্নগী ফিভমদা লাক্লবা হোৎনবদা থা অনী অহুমদি শোয়দনা চঙখিগনি। লমদম অদোমগী অৱাবা তারবশিংদা তঙায়ফদনা চঙবা য়াবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। শা-ষণশিংগীদমকসু কেম্প পাঙথোকপগী তঙায়ফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা লায়না লাইওংমখল কয়া লায়েংবগী থবক চত্থখি। অনাবশিংদা হিদাক লাংথক মখল কয়াসু লেম্না য়েন্থোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

# 'কৈশামথোং, সগোলবন্দগী মফম কয়া ঈশিং থুমদুনা খুৎশেমগী ঈচাও থোক্লে'

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : কৈশামথোং অমদি সগোলবন্দগী লৈকাই অয়াম্বা ঙরাং অহিংদগী নোংঙাল্লমদাইফাওবা পুং অহুমলোম চুপ্না চুরকপা নোংনা মরম ওইদুনা ঈশিং থুমদুনা খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাও পাক শন্না থোক্লে হায়না ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লুপকী সেক্রেটরি জেনরেল দেবান্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নম্বুল তুরেল কায়দুনা অমদি ইম্ফাল তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা ৱাইশেল ইরমসিগী এ সী শিংদা থোরকপা ঈচাও নত্তে। ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদগী ৱাইশেল মরিলদা লৈরিবা নাওরিয়া পাখঙলাকপা অমদি পাৎসোই এ সীগী লৈকায় অমদি য়ুম কয়াসু খুৎশেমগী ঈচাওগী চৈথেং ফঙবা হৌরক্লে। মসিগী মরুওইবা মরম খরা পনবা তারবদি, ঈশিং মরীল অসিদা লৈরিবা ঈচেলগী ব্লোকশিং জুন থাদা মরম চুম্না লৌথোকহৌদবদগীনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি এ সী তরেৎ অসিগী মীহুৎশিংদা খঙননবা লুপ অসিনা পাউচেগী থোংদা ফনা তাক্লবা ফাওবদা তুমিন তুমিন্না লৈশিল্লি। ঈরম কয়া অসিগী পন্থুংফম ওইরক্লিবা ৱাঙ্গৈই অমদি নম্বোল এ সীদা লৈরিবা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টগী বারাজগী সট্টরশিংবু ফজনা শীজিন্নদনা হুন্দোক্তুনা থল্লকপা অসিনা ব্লোকেদ অমসু ওইরক্লি। এ সী তরেৎ অসিদা লৈরিবা উকুশিং, থোংশিং লন্নাই অমদি লৈঙাক্কী তোতি পাইপশিং কয়ানসু ঈশিং ঈচেল অসিবু থিংদুনা লৈরক্লি। ঈরম অসিনা কোল্লিবা এ সীশিং অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী অপুনবা মীশিং চাদা ৯০ না ঈচাও অসিনা অকাইবা ওইহল্লে। চাদা ১০ খক্লা নোর্মেল লাইফ ওইনা হিংলি।

ঙরাং লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনাম ইবোবীগী য়ুমদা লুপকী থৌ পুরিবা/ পুরিবীশিংগী অখন্নবা মীফম অমনা থা অসিগী ১৫ দা মীয়ামগী নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা হকথেংননা উন্নরগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ইবোবী, সগোলবন্দ এ সীগী প্রসিদেন্ট শ্যামকিশ্বর, লুপ অসিগী সেক্রেটরি দেবান অমদি মীফম অদুদা য়ানদুনা খনখ্রবা প্রসিদেন্টনসু অয়াবা পীরক্লবা সোসল ৱার্কর লাইশ্রম দেবো, লুপ অসিগী কৈশামথোং এ সীগী প্রসিদেন্টসু টিম অসিদা য়াওবদা য়ান্নখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদগী কৈশামথোং এ সী মনুংদা ঈশিং থুমজিল্লবা ৱার্দ নং ১২ গী লৈকাই কয়ামরুমদা ঈশিং থুমলিবা য়ুমথোং খুদিংদা চংদুনা কোওপরেসন কয়া পীরল্লিবা ৱার্দ অসিগী কোর্পোরেটর প্রেমিলা, এক্স ৱার্দ মেম্বর শ্রীকান্ত (ইতো), ৱার্দ মেম্বর মাইবম রামচরন অমদি এলাংবম গুনি য়াওবা টিম অমনা ঈশিং মরক্তা অৱা অনা তারবশিংগী মফমদা পীখিবা সর্ভিস কয়া অদু লুপ অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মখা তারি।

# মীথোয় মীহেল্লবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : মেরিটোরিয়স এৱার্দ কম্মিটি থৌবাল অচৌবনা শীন্দুনা থৌবাল নিংথৌগী অকোয়বদা লৈরিবা খুলশিংগী ওইনা ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্ব এগজামদা মার্ক ৱাঙনা ফঙলকখিবা মহৈরোয়শিং খুদোল তম্বগী থৌরম ঙসি থৌবাল অচৌবদা লৈবা মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সুর্যকুমার, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেয়রপর্সন টিঐচ শ্যামো অমদি এদ্যুকেসন (য়ু) গী এদিস্নেল দিরেক্তর আর কে য়াইস্কুলনা দেইজদা ফমখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কম্মিটি অসিগী এচিবমেন্টশিং উৎপা সোভেনরসু ফোঙখি। তোঙান তোঙানবা দোনরশিংনা কৎলকপা এৱার্দ কয়া মকোক থোংলকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা খুদোল তমদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

অমরোমদা, প্রোগেসিব ইংলিস স্কুল লমদিংনা শীন্দুনা হন্দক পাঙথোকখিবা বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামদা মায় পাক্লকখ্রবা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লমদিংদা লৈবা স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সুর্যকুমার, হান্নগী এম পি এস সীগী মেম্বর এল মনাও, ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংগী প্রিন্সিপাল সোইবম বিহারি, হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল থোকচোম বিনয় অমসুং লিলোংগী এস দি সী অশাকুমারসু শরুক য়াখি।

স্কুল অসিগী ওইনা মহৈরোয় ৮৫ এগজাম থাখিবদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা মহৈরোয় ৩৮, সেকেন্দ দিভিজনদা মহৈরোয় ৪১, থর্দ দিভিজনদা মহৈরোয় অহুম্না পাস তৌখি। পাস তৌখ্রবা পুন্না মহৈরোয় ৮২ দা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

# এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : বি ঐচ এম এস এন্দ বি এ এম এস অহানবা চহীগী কোর্সতা মীং চন্নবগীদমক এন ঈ ঈ টি-য়ু জি ২০১৭ পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না দিরেক্তরেট ওফ আয়ুসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্সটিট্যুট ওফ অয়ুরভেদা এন্দ হোমিওপেথি মেঘলায়ানা কেন্দিদেটশিংদগী কোর্স অসিগীদমক এপ্লিকেসন কৌরি। ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনা বি ঐচ এম এস অমদি বি এ এম এসকী রিজর্ব সিট অহুম অহুমগীদমক এপ্লিকেসন কৌরি। মরী লৈনবা ঈ-পাউ অমদি এপ্লিকেসন ফোর্ম www.neiah.nic.in দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। ফোর্মশিং মেনশিল্লগা অথুবদা থাগৎলকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।


NEWLY OPENED
SCHOLAR HOME GIRL'S HOSTEL
KEISHAMPAT LAISOM LEIRAK MACHIN
T.G. HIGHER SEC. SCHOOL -গী ছাত্রীশিংগীদমক অখন্নবা HOSTEL অমা হাংজরে। HOSTEL অসিনা FEE তানা লৌবা অমদি মমিং লৈরবা ওজাশিংনা SUBJECT শুনা COACHING পীবা য়াওনা খুদোংচাবা ময়াম অমা পীজরি।
FACILITIES :
- Under CC TV Surveilance
- Homely Care Food
- Sound Academic Atmosphere
- 24x7 Electricity & Water
- Lady Warden & Security Guard
- Separate Reading & Bed Room
- All Subject Experience Teacher
FEE ₹ 3,300/- per month
No Deposit & Admission Fee
LIMITED SEAT
Contact No. ☎ 7085798348
FULL A.C. READING ROOM
HL-P/1974/2to14 Jul.